# অর্জুনা এৱার্দি অমা ওইনা কুমজা ২০১৫দগী ঙসি ফাওবা প্রমোসন অমত্তা পীবিদনা থম্বীবসি ইথন্তা ইকায়জবা ফাওই



**ৱাই সনাথোইই**
*(অর্জুনা এৱার্দি, ৱুসু)*

মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী শিংথানিংঙাই ওইবা মীঙচৎ কয়া পুরকখ্রবী, কুমজা ২০১৫দা ৱুসু মশান্নদা অর্জুনা এৱার্দ ফংলকখ্রবী য়ুম্নাম সনাথোইনা মহাক্কী ওইবা পেন্দবা ৱাফম খরা অসুম্না ফোঙদোরক্লি। ঐহাক কুমজা ২০০৭তা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা "৩৩ শুবা নেসনল গেমস" অদুদা সনাগী মেদল লৌজরকখি। ইনি দয়াগী ওইনদি, ঐহাক্না কুমজা ২০০৫দগী নেসনল ৱুসু চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াজরকপদা হৌজিক ফাওবদা সনাগী মেদল পুন্না ১৬ লৌবা ঙমজখ্রে। অদুগা ইন্টর্নেসনল থাক্কী তোঙান-তোঙানবা কম্পিটিসনশিং এসিয়া কপ, ৱর্ল্ড কপ, এসিয়ন গেমস, ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপনচিংবদসু পুন্না সনাগী মেদল অহুম, লুপাগী মেদল মঙা অদুগা ব্রোঞ্জগী অনী ফঙজরকখ্রে।

অদুগা কুমজা ২০১৪দা সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা '১৭ শুবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমস'তসু ঐহাক ব্রোঞ্জ মেদল লৌজরকখি। কুমজা ২০০৩দগী য়াম্না পামজনা ঐহাক ৱুসু শান্নজরকপনি। লোয়ননা হন্দক্তা চাইনাগী সংহাইদা লোইশিনখিবা '১৫ শুবা ৱর্ল্ড ৱুসু চেম্পিয়নশিপ'তসু কিলোগ্রাম ৫২গী সান্দাদা ঐহাক সিলভর মেদল লৌজরকখি। হৌজিক হৌজিকসু ঐহাক ইন্টর্নেসনল থাক্কী কম্পিটিসন কয়াদা মায় পাক্লা শান্নবসু ঙমজরি।

অমরোমদা, ঐহাক্না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী থবক চঙবা ফঙজরকখিবা অসিসু কুমজা ২০০৭তা তৌখিবা 'গুৱাহাটি নেসনল গেসম'তা সনাগী মেদল লৌজরকপদগীনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হান্না লাউথোক্তুনা লৈখিবা ৱাফম অমা লৈবনা কুমজা ২০১০দা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা ঐহাক জুলাই ১৪দা কনষ্টেবল ওইনা জোইন্ট তৌজরকখি। য়াম্না ৱানা হোৎনজদুনা শান্নজরকপা ওইবনা গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১০দা থবক চঙবা য়াহনবীখিবদু মতমদুদা য়াম্না পেঞ্জখি। অহানবা কনষ্টেবল ওইনা চঙজরক্লবসু ঐখোয়গী অচিভমেন্টশিং য়েংবীরগা প্রমোসন মথং মথং পীবিরক্কনি হায়বসিদা থাজবসু লৈজখি। অদুবু, মদুগী ওন্ন-তৈনবদা ঐহাক ঙসি ফাওবা কনষ্টেবল ওইনা অদুম লৈজরি। কুমজা ২০১৫গী অজর্জুনা এৱার্ড লৌজরকপা মতমদুদা ইশাগী ইদ্যুকেস্নেল ক্বালিফিকেসনগা লোয়ননা স্পোর্টস এচিভমেন্টশিং ফজনা হাপচরগা এপ্লিকেসন অমা ঐনা লৈজরিবা দিপার্টমেন্টতা পীশিনজখি। মতমদুদা ঐনা পঞ্জখিবা ৱারোলদি ঐহাক ঙসিদি গ্রেজুয়েসনসু লোইশিঞ্জরে, ইন্দিয়াগী অফবা শান্নরোয়শিংদা অখন্ননা পীবিবা অর্জুনা এৱার্দসু পুজরক্লে। মরম অদুনা ঐগী স্পোর্টস এচিভমেন্ট অসি য়েংবীরগা ইশাগা চানবা প্রমোসন অমত্তংদি পীবিয়ু। অদুবু ঐহাক্না পিশিঞ্জখিবা এপ্লিকেসন অদু কনানসু থওইনা লৌবীখিদে। মরী লৈনবা মফমশিংদসু হঞ্জিন হঞ্জিন ফাইল শেন্ল-শেন্লগা থাজিঞ্জখি। মতম খরা লৈরগা ঐহাক্কীদু করি খন্নবিরবগে হংজরুবদনা ফাইল মাঙখ্রে হায়না ইরাই লায়না হেক্তগা খুম্বীরকখি। ইকায়-ইকায়না চানবা থবক অমত্তংদি পীবিয়ু হায়দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন ফনা য়াম্লে পীশিনজখিবা। গ্রেজুয়েসনসু লোইরবা, এসিয়ন গেমসকী মেদলসু পুজরক্লবা, অর্জুনা এৱার্দসু লৌরক্লবা ঐখোয়বু পুলিস কনষ্টেবলদা মতম শাংনা চহী মাপল চুপ্না থম্বীবসিমদি তশেংনা পেঞ্জদে। করিগুম্বা খরদংদি খন্নহনজনিংই। অসুম্না কয়াম কুইনা কনষ্টেবলদা থম্বীখিগদৌরিবনো খঙদে। প্রমোসনসু পিবিদ্রবনিনা ঐগী ওইনসু 'স্পোর্টস পোলিসি' মতমসিগা চানবা অমত্তংদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা শেম্বীয়ু হায়জনিংই।

... মথং মথং ...



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**আর্জুন এৱার্দিশিংদা মীৎয়েং অমা**




## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৬

১) কুমজা ১৯৭৪ দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী থৌরম অদু করিনো?

২) জেসি ওৱেন (অমেরিকা) অমসুং লোঙ লটজ (জর্মনি) মরুপনি। লোঙ লটজ অনিশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবদা অফ্রিকাগী মফম অমদা লৈখিদে। মখোয় অনী অরোইবা ওইনা করম্বা মফমদা উনখি।

৩) অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবদা মণিপুরগী টিমসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি?

৪) ঐনা মহাকপু ওলিম্পিক্কী লমজেন্দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা তাখি। অদুবু মহাক লৈবাক অমগী গভর্ণর জেনরেল ওইখি। মহাক ইংলেন্দগী নিংথৌরেল অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী দাক্তর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৫গী পাউখুম

১) মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মিলিটরি বুথ তোংলগা লমজেল প্রেক্টিস তৌবগী মমিং চৎলি। মহাক কনানো? : EMIL ZETOPEK

২) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'পব্লিক স্পোর্টস মীট' অদু করম্বা চহীদনো? : 1954

৩) অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা টিমগী কেপ্টেন অদুগী মমিং পীয়ু। : N. MANICHOU SINGH

৪) ওলিম্পিক্কী নুঙ লংবগী থৌরম অমদা শান্নরোয় অমা অনীরক দিসক্বালিফাই ওইখি। মরমদি মহাক্না নুঙ অদু তা লংবদৌনা নত্রগা লৈতুম হুনবদৌনা লংখি। কাংলোনগী মতুংইন্না নুঙ অদু ঙক্না খজায় শোক্না থল্লগা লংগদবনি। মদুদা মহাক শাউদুনা থৌরম অদু লোয়দনা তোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।
: NIKOLOS GEORGRANTAS

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?? :MITHALI RAJ

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ১০৫ গী পাউখুম ৩ চুম্না থাবীরকখিবদি**

*১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা, লমশাং* (৩)

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ -১০৫ গী ৱিন্নর**

অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা, লমশাং (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ১০৫গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম নবেম্বর ০৩, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

# মলেসিয়াগী ক্লব টেরেনগানু এফ সিনা বংলাদেশকী চিত্তাগোং অবাহানি থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে

চিত্তাগোং, ওক্টোবর ৩১(এজেন্সী): বংলাদেশনা য়ুম্মু ওইদুনা লৈবাক অসিগী চিত্তাগোং সিটিদা লৈবা এম এ অজিস ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা সেখ কমাল ইন্টর্নেসনল ক্লব কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা য়ুম্মু ক্লব চিত্তাগোং অবাহানিবু মালেসিয়াগী ক্লব টেরেনগানু এফ সি পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে।

পনবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা টেরেনগানু এফ সিনা ইন্দিয়াগী ক্লব মোহন বাগন এ সিবু য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীরমখি। অমরোমদা চিত্তাগোং অবাহানিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ক্লব গোকুলম কেরালা এফ সিবু এক্সত্রা টাইমদা পাঞ্জল ৩-২দা থোইরমখি।

মলেসিয়াগী ক্লব টেরেনগানু এফ সিগী মায়কৈদগী ঙসি ফাইনেল মেচ অদুদা হৌবদগী এটেকিং ওইবা মওংদা শান্নবা ঙমখি। মখোয়গী শান্নরোয়শিং অদুনা পুশিল্লকপা বোল অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় হেরৈ হকিম বিন মহমদনা টিম অদুগী কোর্নর কিক অমদগী লাকপা বোল অদু হেট তৌশিন্দুনা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা বংলাদেশকী চিত্তাগোং অবাহানিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইদ্রিঙৈদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু ২০শুবা মিনটতা মলেসিয়গী ক্লব টেরেনগানু এফ সিগী মায়কৈদগী ওই থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী পুশিল্লবা এটেক অমদা অজালিনুলা বিন মহদম অলিয়াসনা পাঞ্জল অমগা চান্দুনা মাংজিল থারম্বা অদু পাঞ্জল মশিং হেনগৎখি।

অহানবা হাফ অদু ২-০দা মাংজিল থারবা টেরেনগানুগা মায়কৈদা চিত্তাগোং অবাহানিগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্বগী খুদোংচাবা ফংদনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ চিত্তাগোং অবাহানিগী মায়কৈদগী রোটকোবিস লুকানা কাউশিনখিবা সোট অমা পাঞ্জল ওইদুনা ৪৮ শুবা মিনটতা স্কোর বোর্দতা টেরেনগানুগী পাঞ্জল ২ অদুগা চিত্তাগোং অবাহানিগী পাঞ্জল ১ লৈখি। মেচ মখা চথরকপদা পাঞ্জল শোথরিবা চিত্তাগোং অবাহানিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল মান্ননবা মখোয়না অরৈবা পাঙ্গল পুথোরকখি। টিম অদুগী শান্নরোয় লুকানা ৭০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা ফংখিবা অদু টেরেনগানুগী দিফেন্ডরশিংনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

মলেসিয়াগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগীসু মখা তানা পাঞ্জল হাপচিন্নবা খুদোংচাবা হাপচিন্নবা লুমদুনা লৈখি। অদুবু শান্নবগী মতম য়ামশিল্লক্তুবদা চিত্তাগোং অবাহানিগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবগী হোৎনরকপগী চাং হেনখিবদগী বোল ফঙবগী খুদোংচাবা ৱাৎখি। মেচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা য়ুম্মু ক্লব চিত্তাগোং অবাহানি পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা চহী অসিগী টাইটল অদু মলেসিয়াগী টেরেনগানু এফ সিনা লৌখি।

টাইটল ফংখিবা ক্লব অদুনা শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর ৫০,০০০ ফংখি। অদুগা রন্নর্সঅপনা য়ু এস দোল্লর ২৫,০০০ ফংখি। টুর্নমেন্ট অদুদা হেটত্রিক ফংখিবা টেরেনগানু এফ সিগী কেপ্টেন লি তক্না প্লেয়র ওফ টুর্নামেন্ট তাখি।




# জপানগী ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্টতা সিবা থাপা অমসুং পুজা রানি গোল্ড মেদল লৌখ্রে, অসিস সিলভর মেদল ফংহৌরে

টোকিও, ওক্টোবর ৩১(এজেন্সী): জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোকপা ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর সিবা থাপা অমসুং পুজারানি গোল্ড মেদল ফংখ্রে। অমরোমদা অসিস সিলভর মেদল ফংহৌরে।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৬৩গী কাংলুপ্তা এসিয়াগী বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা মরিরক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা সিবা থাপানা ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল বাউটতা কজাকস্তানগী নেসনল চেম্পিয়ন অমদি এসিয়াগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবা সানাতালি টোটায়েপপু হৌবদগী খুদুম চন্না থিন্নবা ঙমখিবদগী জজ মঙামক্না সিবা থাপাগী ফেবরদা পোইন্ট পীখিবনা মরম ওইরগা ফাইনেল বাউট অদু ৫-০দা হেল্লগা গোল্ড মেদল লৌখি।

নুপীগী কিলোগ্রাম ৭৫গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর পুজারানিনা ফাইনেল বাউটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোক্সর কাইটলিন পার্করগা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াবদি, পুজারানি এসিয়ন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্টনি।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৬৯গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর অসিস ফাইনেলদা জপানগী বোক্সর সেওন ওকাজৱাগী মখুৎতা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

মমাঙদা জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বী নিখত জারিন (৫১), সিমরঞ্জিৎ কোর (৬০), সুমিত সাংৱাং (৯১) অমসুং ভালিম্পুয়া (৭৫) ঙরাং সেমি ফাইনেলদা মায়থীহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। পুন্না ইন্দিয়ানা গোর্ল্ড ২, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ ফংলকখি।







# ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন অমসুং কিরন জোর্জ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, মঞ্জুনাথ অমদি ভারদ্বাজ লৈহৌরে

সারব্রুকেন, ওক্টোবর ৩১(এজেন্সী): জমর্নিগী সিটি সারব্রুকেনদা পাঙথোকপা সারলোলুক্স বেদমিন্টন ওপন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন অমসুং কিরন জোর্জ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুগা মঞ্জুনাথ অমসুং ভারদ্বাজ ৩শুবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিদা ৮ শুবা সিদেদ ওইরিবা লক্ষ্য সেননা মহাক্কী লম্বা জর্মনিগী এল সাঞ্জলরগা থেংনগদবা অদু সাঞ্জলর লাকখিদবদগী ৱার্কওভর ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী এল কোর্বিবু ২১-১৫, ২১-১৬দা থোইরম্বা জর্মনিগী অতোপ্পা শান্নরোয় এম ৱৈকিরষ্টেনগা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী কিরন জোর্জনা ঙসি ৩শুবা রাউন্দদা নেদর্লেন্দসকী শান্নরোয় কে কুইকেলগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৪, ২১-১৬দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবা ফ্রান্সকী শান্নরোয় সি পোপোপনা ৩শুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোয় দল্লীয়ু ঙেটপু ২১-১৫, ২১-১৫দা থোইরমখি।

ঙসি অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় অনীশুবা ৩শুবা রাউন্দ শান্নখি। এম মঞ্জুনাথনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ ইংলেন্দগী পি পেন্টিগা লম্বা তৌনরকপদা গেম ৩ চঙখি।

অহানবা গেম অদু মঞ্জুনাথনা ২১-১৫দা থোইখি। মখা তারকপা গেম অদু টি পেন্টিনা ২১-১৯দা থোইখিবদগী দিসাইদিং গেম শান্নরকপদা পেন্টিনা লাকশিল্লকপদগী ২১-১১দা থোইরগা মঞ্জুনাথ লৈহৌখি।

বি এম ভারদ্বাজনা ৩শুবা রাউন্দদা আইয়রলেন্দগী শান্নরোয় এন ঙুয়েনগা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম অদুদা শান্নরোয় অনীমক লম্বা মান্নখি। পোইন্ট ২১-১৮দা ঙুয়েননা থোইদুনা মাংজিল থাখি। অনীশুবা গেমদদি ভারদ্বাজবু ঙুয়েননা লাকশিনবা হেনখিবদগী ২১-১৪দা থোইরগা ঙুয়েননা মঞ্জুনাথ থোইরম্বা ইংলেন্দগী টি পেন্টিগা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা ৫শুবা সিদেদ ওইখিবা পেয়র পুজা দন্দু অমসুং সঞ্জনা সন্তোস দেনমার্ককী পেয়র জুলি ফিন ইপসেন অমসুং মিয়া সুরোগা লম্বা তৌনবদা ১৭-২১, ২১-১৭, ১৪-২১দা অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌদুনা ক্বার্টর য়ৌবা ঙমখিদে।




# ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় নোবাক জোকোবিস অমসুং গ্রিসকী ষ্টিপানোস সিসিপাস পেরিস মাষ্টর্সকী ক্বার্টরদা লম্বা তৌনরগনি

পেরিস, ওক্টোবর ৩১(এজেন্সী): ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা শান্নরিবা রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিস অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ গ্রিসকী ষ্টিপানোস সিসিপাসগা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনরগনি।

জোকোবিসনা ৩শুবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী শান্নরোয় কাইল এদমুনবু ৭-৬ (৯-৭), ৬-১দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা গ্রিসকী সিসিপাসনা মহাক্কী ৩শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় এ দি মিনোরবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অতোপ্পা ৩শুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোব য়াওরি। মহাক্তা নত্তনা হঙ্গেরিগী গ্রিগোর দিমিত্রোপ অমসুং চিলিগী সি গরিন য়াওরি।

কানাদাগী দেনিস সাপোভালোবনা মহাক্কী ৩শুবা রাউন্দগী মেচতা জর্মনিগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর জ্বেরেপপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা সেট ২-১দা থোইখি। অহনাবা সেট অদু দেনিস সাপোভালোবনা ৬-২দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেট অদু অলেকজেন্দর জ্বেরেপনা য়াম্না ৱানা ৭-৫তা থোইদুনা দিসাইদিং সেট শান্ননবা লৈনখি।

দিসাইদিং সেট অদুদদি সপোভালোবকী মায়কৈদগী য়াম্না ঙন্না অলেকজেন্দর জ্বেরেপকী সার্ভিস গেম ব্রেক তৌদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মখা তানা সাপোভালোবনা জ্বেরেপকী সার্ভিস গেম অমগসু ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-২দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্না মোলদোভাগী আর অলবোট অমসুং ফ্রান্সকী গেল মোনিফিল্স অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

চিলিসিগী সি গারিননা মহাক্কী ৩শুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী জেরিমি চার্দিবু সেট ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু ৬-৩, ৬-২দা থোইরম্বা হঙ্গেরিগী শান্নরোয় গ্রেগরি দিমিত্রোপকা লম্বা তৌনরগনি।



